# দেল্লিগী কোভিদ–১৯ অনাবশিং তেংবাংননবা প্লাজমা দোনেট তৌবীয়ু ঃ অনুস শর্ম্মা

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল, ২৭(এজেন্সি)ঃ*

প্লাজমা দোনেসননা কনাগুম্বা অমগী পুন্সি করিগুম্বা কনবা ঙম্বা তারবদি ঐখোয়না মদু শোয়দনমক তৌগদবনি হায়না দিল্লিদা কোরোনাভাইরস অনবাশিং তেংবাংনবা প্লাজমা দোনেট তৌখিবা অনুজ শর্ম্মানা হায়খ্রে।

প্লাজমা থেরাপি হায়বসি নোবেল কোরোনাভাইরসনা থোকহনবা কোভিদ–১৯গী লায়না লায়েংনবগী মেথদশিংগী মনুংদগী অমনি হায়না কন্না থাজনরিবনি।

প্লাজমা থেরাপিগী লায়েং অসিদা তৌরিবসি কনভেলেসন্ট কোরোনাভাইরস অনাবা অমদগী প্লাজমা অদু অরুবা ফিভমদা নারবা অনবা অমদা ট্রান্সফ্যুজন তৌবনি। অনাবা ফগৎলকখ্রবা মীওই অদুগী ঈ অদু ভাইরস অদু থেংনবদা হকচাং অদুনা পুথোকখিবা এন্টিবোদিজ মরাং কায়না য়াওই। এন্টিবোদিশিং অদুনা অরুবা অনাবা অদু ফগৎহনবদা মতেং ওইগনি আশা তৌরি।

লৈবাক্কী কোনুং অসিদা প্লাজমা থেরাপি চাংয়েংশিং চথরি। মখোয়না পূর্ক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা ফলশিং উরে হায়না দিল্লি চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা ফোঙদোকখ্রে।

অনুজ শর্ম্মা হায়রিবা মীওই অসি য়ুরোপতগী দিল্লিদা মার্চ ২০দা হল্লকখিবনি। মার্চ ২৯দা কোরোনাভাইরসকীদমক মহাক চাংয়েং অমা চত্থখি। মদুদা মহাক পোজিটিব ওইরকখি। পোজিটিব ওইখিবা অদুগী মতুং মহাক দিল্লিগী সফদরজং হোস্পিটালদা লায়েংখি। মহাক এপ্রিল ১৫দা ফখি। মহাক্কী নুপী অমসুং মচানুপাসু কোরোনাভাইরস পোজিটিব ওইখি।

প্লাজমা দোনেসন তৌনবগী ৱাখল অসি মহাক্কী নুপীদগী লাকখিবনি। মহাক্কী নুপী অদুদা মেদিকেল ডোক্টর অমনা মদুগী মতাংদা পাউতাক পীরমখিবনি হায়না মিষ্টর শর্মনা হায়খি।


মখোয়গী লুহোংবগী চহীগী থৌরম নুমিৎ এপ্রিল ২৫দা মহাক্না প্লাজমা অদু দোনেট তৌখি হায়না মিষ্টর শর্ম্মানা হায়খি। পুং ৪৮গী মনুংদা প্লাজমা দোনেসন অদু তৌখি।

করিগুম্বা প্লাজমা দোনেসননা কনাগুম্বা অমগী পুন্সি কনবা ঙম্বা তারবদি ঐখোয়না মদু শোয়দনমক তৌগদবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

থবক অসিদা মীপুম খুদিংমক্না মতেং পাংলক্কনি হায়বসি মহাক্না থাজে। করিগুম্বা ঐখোয় মায় পাক্লবদি ঐখোয়না কোরোনাভাইরসকী মথক্তা কন্না মায় পাক্লগনি অমসুং খুন্নাইগীদমক অচৌবা থবক অমা তৌরগনি হায়না মহাক্না হায়খি।

ঙল্লিঙৈ চয়োল অসিদা লৈবাক অসিগী অহানবা প্লাজমা থেরাপি মায়পাকপগী পাউ অমা দিল্লিদা ফংখি। মদুদা প্লাজমা থেরাপিগী লায়েং ফংখিবা মশাগী চহী ৪৯ শুরবা মীওই অমা ভেন্টিলেটর সপোর্টতগী লৌথোকখি।

প্লাজমা ট্রিটমেন্ট অসিগী অশেংবা কান্নবা অদু চপ চানা খঙননবা লৈবাকসিগী মফম কয়াদা ক্লিনিকেল ট্রায়েলশিং চত্থনবা ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ মেদিকেল রিছার্স (আই সি এম আর)না আপিল তৌখ্রে।



# নোর্থ কোরিয়াগী কিম জোং উন হিংলি অমসুং হকচাং ফনা লৈরি ঃ সাউথ কোরিয়া

*সিওল, এপ্রিল, ২৭(এজেন্সি)ঃ*

নোর্থ কোরিয়াগী মরুওইবা চহীগী থৌরম অমদা লৈবাক অসিগী লুচিংবা অদু মশক উখিদবা মতুং মহাক্কী হকশেলগী মতাংদা শন্দোরকখিবা তোকঙাশিং ককথক্লদুনা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুন জে ইনগী মকোক থোংবা সেক্যুরিটি এদভাইজর অমনা নোর্থকী লুচিংবা কিম জোং উন হিংলি অমসুং মশা ফনা লৈরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

নেসনেল সেক্যুরিটিগী মতাংদা প্রসিদেন্টকী স্পিসিয়েল এদভাইজর মুন চুং –ইননা ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা সি এন এনগা উন্নবা অমদা হায়খি, ঐখোয়গী গভর্ণমেন্টকী ফিরেপ অশেংবনি। কিম জোং হিংলি অমসুং মহাক হকচাং ফনা লৈরি।

কিমনা লৈবাকসিগী নোংপোক্তা রিসোর্ট টাউন ৱোনসানদা এপ্রিল ১৩দগী লৈরক্লি। হৌজিক ফাওবদা চিংননিঙাই ওইবা চখোক–চৎশিন অমত্তা উদে হায়না এদভাইজর অদুনা হায়খি।

নোর্থ কোরিয়ান দিফেক্টরশিংনা অয়াম্বা ওইনা চল্লাইবা ওনলাইন মেদিয়া আউটলেট অমা ওইরিবা দেলি এন কেনা থা অসিগী অঙনবদা কার্দিওভাস্কুলর প্রোসিদিওর অমগী মতুংদা কিম লায়েং চত্থরি হায়খি।

লৈবাক অসিগী মনুংদগী মশক তাক্তুবা লিখুন অমা পল্লদুনা দেলি এন কেনা মখা তারদুনা, মশাগী চহী ৩০ খরা হেল্লবা কিম মৈখু য়ান্না শিজিন্নবা, মশা হেনমন্না নোইবা অমসুং চোকথবনা মরম ওইদুনা খুদক্কী লায়েং মথৌ তাখি হায়খি।

মদুগী মতুং থুনমক কিম সর্জরি অমা তৌখিবা মতুং য়ান্না খুদোঙথিনিংঙাই ওইখ্রে হায়না মমিং–মথা ফোঙদোক্তবা য়ু এস ওফিসিয়েল অমগী ৱা পল্লদুনা ৱাসিংটননা কুপ্না য়েংশিল্লি হায়না সি এন এননা হায়খি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা কিম মশা নারে হায়বা পাউ অদু শগোলশেল নুমিৎতা য়াখিদে। য়ু এসতা লৈবা থিঙ্ক–টেঙ্ক ৩৮ নোর্থনা রিভ্যু তৌখিবা সেটিলাইট ইমেজশিংনা কিমগী ওইরম্বা য়াবা ট্রেন অমা হৌখিবা চয়োলদা ৱোনসান ষ্টেসনদা লৈবা উৎখি।

২০১৪দা কিম জোং উন চয়োল ৬ রোম মশক উদনা মীয়াম মাঙদগী মাঙখি, অদুবু কোন্না চৈশু অমা পায়রগা অমুক থোক্লকখি। মহাক্কী মখুদা মতুম অমা লৈবা লৌথোক্লবা মহাক সর্জরি তৌখিবনি হায়না সাউথ কোরিয়াগী স্পাই এজেন্সিনা কোন্না হায়খি।



# চাইনিজ কোভিদ–১৯ টেষ্ট কিট ওর্দরস ককখ্রে, লুপা অমা ফাওবা মাঙলোই হায়না সেন্টরনা ফোঙদোকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল, ২৭(এজেন্সি)ঃ*

অশোয়বা কোভিদ–১৯ টেষ্ট কিটশিং ইন্দিয়াদা পীরকখিবা চাইনিজ ফার্মশিং অদুদা সুপ্নগী লুপা অমা ফাওবা মাঙলোই, মরমদি ওর্দরস অদু ককখ্রে অমসুং শেন পিখিদ্রি হায়না হিরম অসিগী মতাংদা ৱাথোক অমা থোক্লিঙৈ চৈরক ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে।

গুৱাংঝৌ ৱোন্দফো বাইওটেক অমসুং ঝুহায় লিবজোন দাইগ্নোষ্টিক্স–চাইনিজ কম্পেনি অনী অসিনা শাবা কোরোনাভাইরস টেষ্ট কিটশিং ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ মেদিকেল রিছার্স (আই সি এম আর)না থবক মপুং ফানা তৌদবা ওইনা ফংলে হায়না গভর্ণমেন্টনা হায়খি।

কম্পেনি অনী অদুনা শাবা কিটশিং অদু শিজিন্নবা তোক্লবা গভর্ণমেন্টনা ষ্টেটশিং অমসুং হোস্পিটালশিংদা খঙহনখ্রে। চাদা ১০০ মমল পীথোক্লগা লৌদনবগী কাঙলোন অদু ইনখিবা মরম্না গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা লুপা অমা ফাওবা মাঙজরোই হায়না ওফিসিয়েল ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

কোরোনাভাইরস হোটস্পোটশিং নৎত্রগা লায়না অসি নাবা মশীং য়ান্না লৈবা মফমশিংদা মীওই খুদিংমক ভাইরস অদুগীদমক টেষ্ট তৌগদবনি হায়না আই সি এম আরনা রিকমেন্দ তৌখিবা মতুংদা গভর্ণমেন্টনা থা অসিগী অঙনবদা রেপিদ এন্টিবোদি টেষ্ট কিট অমসুং আর এন এ এক্সট্রেসন কিট লাক্ষ ৫ রোম লৌখি অমসুং লৈবাক্কী মফম কয়াদা য়েন্থোকখি।

রিগুলর আর টি–পি সি আর টেষ্টশিং তপ্পা অমসুং লেবোরেটরিশিংদা পাংথোকপা তাবনা ফাষ্ট– ট্রেক কিটশিং শিজিন্ননবা ৱারেপ লৌখি। লৈবাক অসিদা ষ্টেট কয়ানা মতিকচাবা টেষ্টিং ফেসিলিটিশিং লৈতে।

রাজস্থান অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গল য়াওনা ষ্টেট কয়ামরুন্না অনৌবা টেষ্ট কিটশিং অদুগী এক্যুরেসি সুপ্নগী চাদা ৫.৪ খক্তনি হায়রদুনা কিটশিং অদুগী মতাংদা ৱাকৎলকখি।

ওপোজিসন পার্টিশিংনসু গভর্ণমেন্টকী কিটশিং অদু লৈখিবা অদুদা ৱাহং হংখি। রিগুলর টেষ্টশিংদগী য়ান্না হেন্না থাজনিঙাই ওইদবনি হায়না পাকশন্না খন্নরবসু অমসুং হেন্না মমল হোংবা অমসুং হেন্না থুবা ওইর ফাওবদা ষ্টেটশিংদগী হন্না–হন্না হায়জরকপদগী আই সি এম আরনা রেপিট টেষ্টিং কিটশিং শিজিন্নবদা য়াখিবনি হায়না আই সি এম আরগী লিখুনশিংনা হায়খি।

মদুগী দিষ্ট্রিব্যুটরগা ইম্পোর্টরগগী মরক্তা দিল্লি হায় কোর্টতা আইনগী খৎনবা অমদা ইন্দিয়ানা মমলগী শেনফম শরুক অনী হেন্না পীখ্রে হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লরকখিবা মতুং ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা চাইনিজ রেপিদ টেষ্টশিং অদুগী মতাংদা ৱাথোক অমা থোক্লকখি।

চিনাদগী টেষ্ট কিটশিং অদু অমদা লুপা ২৪৫কীদমক ইম্পোর্টর মেট্রিক্সনা লৈখিবনি। অদুগা দিষ্ট্রিব্যুটরশিং ওইরিবা রিয়েল মেটাবোলিক্স অমসুং আর্ক ফার্মাসিয়ুট্যাকেলসনা হায়রিবা চপ মান্নবা কিটশিং অদু অমমমদা লুপা ৬০০তা গভর্ণমেন্টতা য়োল্লি।

ঙসি ৱাথোক অসিগী মতাংদা শেংদোকপদা গভর্ণমেন্টনা এন্টিবোদি টেষ্ট কিটশিংগীদমক এদভান্স অমত্তা পীখিদে, টেন্দর প্রোসেস অমা পাংথোকখি। লুপা ১,২০৪, লুপা ৬০০গী মরক্তা বিদশিং ফংখি অমসুং অরোইবদা খ্বাইদগী নেম্বা অদু খনখিবনি হায়খি।



# মিলিটরিদা খ্বাইদগী শেন থাদবা ৩গী মনুংদা ইন্দিয়া য়াওরে ঃ রিপোর্ট

*লন্দন, এপ্রিল, ২৭(এজেন্সি)ঃ*

মালেমদা চহী দিকেদ ১গী মনুংদা মিলিটরিদা শেন খ্বাইদগী য়ান্না থাদবদা ২০১৯দা মালেমগী ওইনা মিলিটরি এক্সপেন্দিচর চাদা ৩.৬ ওইবদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মথংদা চিনা অমসুং ইন্দিয়ানা ২শুবা অমসুং ৩শুবা খ্বাইদগী শেন থাদবা লৈবাক ওইরে হায়না ষ্টোকহোল্ম দা লৈবা তিঙ্ক–টেঙ্ক অমনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

লানগী খুৎশু–খুৎলাইদা খ্বাইদগী শেন থাদবা মকোক থোংবা লৈবাক ৩গী মনুংদা এসিয়াগী অচৌবা লৈবাক অনী য়াওবসি মসিনা অহানবনি।

মালেমগী মিলিটরি এক্সপেন্দিচরগী অপুনবা অসি ২০১৯দা য়ু এস দোল্লর বিল্লিয়ন ১৯১৭ য়ৌরে।

ষ্টোকহোল্ম ইন্টরনেসনেল পীস রিছার্স ইনষ্টিট্যুট (সিপ্রি)গী রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না মসি ২০১৮গা চাংদম্নবা চাদা ৩.৬কী এন্যুয়েল গ্রোথ অমনি। চাদা ৩.৬ হেনগৎলকপা হায়বসি ২০১০গী মতুংদগী মিলিটরিদা শেন থাদবদা খ্বাইদগী হেন্না চাওবনি।

চিনাগী মিলিটরি এক্সপেন্দিচর অসি ২০১৮গীগা চাংদম্নবদা ৫.১ হেনগৎতুনা ২০১৯দা য়ু এস দোল্লর বিল্লিয়ন ২৬১ য়ৌখি। অদুগা ইন্দিয়াগীনা চাদা ৬.৮ হেনগৎতুনা দোল্লর বিল্লিয়ন ৭১.১ য়ৌখি।

পাকিষ্টান অমসুং চিনা অনীমক্না ইন্দিয়ানা য়েংথিনবা অমসুং লৈবাক্কী উংখৎনবশিংনা মিলিটরিদা শেন থাদবা হেনগৎহন্নবগী অচৌবা মরমশিংনি হায়না সিপ্রি সেনিয়ার রিছার্চ শৈমোন টি ৱেজমেননা হায়খি।

মালেমগী অপুনবা মিলিটরি এক্সপেন্দিরচরগী চাদা ৬২ ওইরিবা খ্বাইদগী চাওবা শেন থাদবা লৈবাক ৫ অদুদি– য়ু এস, চিনা, ইন্দিয়া, রসিয়া অমসুং সাউদি অরাবিয়ানি।

এসিয়াগী লৈবাক অনী অসিনা মিলিটরিদা খ্বাইদগী চাওনা শেন থাদবা মকোক থোংবা অহুমগী মনুংদা য়াওরকপসি মসিনা অহানবনি।

য়ু এসনা মিলিটরিদা শেন থাদবা অসি চাদা ৫.৩ হেনগৎতুনা ২০১৯দা পুন্না য়ু এস দোল্লর ৭৩২নি। মসি মালেমগী মিলিটরি স্পেন্দিচরগী চাদা ৩৮নি।

# অহানবা ওইনা ৱুহান হোস্পিটালশিংদা কোভিদ–১৯ অনাবাশিং অমত্তা লৈত্রে

*বৈজিং, এপ্রিল, ২৭(এজেন্সি)ঃ*

পান্দেমিক অমা ওইরক্ত্রিঙৈগী মমাঙ অহানবা ওইনা ভাইরস অদু থোক্লকখিবা চিনাগী ৱুহানদা হোস্পিটেলাইজ তৌবা কোভিদ–১৯গী অনাবা মশীং ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা অহানবা ওইনা জেরো ওইখ্রে। মসিনা, নুমিৎ ৭৬নি লোকদাউন মতুং এপ্রিল ৮দা হাংদোকখিবা সিটি অসিগীদমক অতোপ্পা অচৌবা থৌদোক অমগা অমুক ওইখ্রে।

ৱুহানদা মেদিকেল ৱার্করশিংগী অমসুং লৈবাক অসিদগী ভাইরস অসিগী মথক্তা থেংননবা সিটি অসিবু মতেং পাংনবা থারকখিবশিং অদুগী কন্না হোৎনখিবশিং অদুনা ফল অসি ফংবা ঙমখিবনি হায়না চিনাগী নেসনেল হেল্‌থ কমিসন (এন ঐচ সি)গী ৱাঙাংলোই মি ফেংনা হায়খি।

ৱুহানদা কোভিদ–১৯না নাবা ৫০,৩৩৩ য়াওরগা হুবৈ প্রোভিন্সতা মীওই ৬৮,১২৮ নাখি। ৱুহানদা ইকোনকোনবা অনাবা অদু ইরাই নুমিৎতা ফখি। অনাবা অদু ফখিবদগী সিটি অসিদা কোরোনাভাইরস অনাবা অমত্তা লৈত্রে হায়না মি ফেংনা হায়খি হায়না গভর্ণমেন্টনা চল্লাইবা জিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী পাউনা হায়খি।

চিনাদা কোভিদ–১৯না শিবা অপুনবা মশীং ৪,৬৩২নি, পূন্না নাবা মশীংনা ৮২,৬৯২নি। মশীংশিং অসি অমুক হন্না শেমদোক্লবনি। কোন্না মতম থেংনা পাউ পীরকপশিং, ৱাংহৌবশিং অমসুং অহানবগী তাঙ্ককশিংদা চুমদবা পাউশিংগী মরমদগী মশীং অদু অমুক শেমদোকপনি হায়না চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি।

# ন্যু য়োর্ক মচেৎ ওইনা মে ১৫দগী লোকদাউন হাংদোক্লবা য়াই ঃ গভর্ণর

*ন্যু য়োর্ক, এপ্রিল, ২৭(এজেন্সি)ঃ*

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা কোভিদ–১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা অমসুং য়ু এসকী কোভিদ–১৯ ইপিসেন্টর ওইরবা ন্যু য়োর্ক মচেৎ ওইনা মে ১৫দগী লোকদাউন হাংদোক্লবা য়ারি হায়না ন্যু য়োর্ক ষ্টেটকী গভর্ণর এন্দ্রিয়ু কৌমোনা ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

লাইচৎ অসিদগী মীওই ৩৩২ শিখিবা মার্চ ৩০গী মতুংদগী খ্বাইদগী মশীং হন্থবা ওইনা হৌখিবা পুং ২৪দা মীওই ৩৬৭ শিখি হায়না ঙরাং ষ্টেটনা ফোঙদোকখি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা কোভিদ–১৯না নাবদা শিখিবা অপুনবা মীশিংগী ৩ থোকপগী শরুক ১ রোম ওইনা ন্যু য়োর্ক ষ্টেটতা মীওই ১৬,৯৬৬ শিখ্রে। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ওইনা পূন্না শিখিবা মশীং ৫৫,৪৯৯নি।

গভর্ণরনা ওর্দর তৌখিবা ন্যু য়োর্ককী লোকদাউন অদু মে ১৫দা মতম লোইরগনি। অমুক হাংদোক্লবগী থৌরাং অদুগী মখাদা অহানবা সেক্টরশিং অদু কনষ্ট্রক্সন অমসুং মেনুফেকচরিং ওইগনি।

হাংদোকপগী অহানবা তাঙ্ক অসিনা ভাইরস অদু অমুক থোক্লককহন্দনবা মথঙগী লোকদাউন হাংদোকপগী তাঙ্কক–ওফিসশিং অয়াম্বা য়াওগদৌরিবা অদু চয়োল ২গী মতম থেংথখিগনি হায়না গভর্ণরনা হায়খি।

ন্যু য়োর্ক সিটি মেয়র বিল ব্লাসিওনা ভাইরসকী অকিবা হন্থরবা তুং সিটি অসি করম্না অমুক শেমগৎকনি হায়বদু জুন ১ ফাওবদা রোদমেপ অমা লৈরগনি আশা তৌই হায়না মহাক্না ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখি।

# গভর্ণমেন্ট গুদাউনশিংদা পৈরিবা চিঞ্চাক করম্বা মতমদা শিজিন্নগনি? ঃ ময়াবতি

*লক্ষ্ণৌ, এপ্রিল, ২৭(এজেন্সি)ঃ*

বি এস পি প্রসিদেন্ট ময়াবতিনা ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংদা লাইরবা মাইগ্রেন্ট লেবরর লিশিং কয়াগীদমক চিঞ্চাক নিংথিজনা থৌরাং তৌনবা অমসুং মখোয়দা শেনগী তেংবাংসু পীনবা আপিল তৌখ্রে।

কোরোনাভাইরস পান্দেমিক অসিগী মতাংদগী তৌরিবা লোকদাউন অসিনা মরম ওইদুনা অৱাবদা তারবা মীওই মিল্লিয়ন কয়াগীদমক করিগুম্বা গভর্ণমেন্টশিংনা নিথিজনা থৌরাং তৌরল্লবদি ঙসি হেন্না ফরমগদবনি হায়না ময়াবতিনা হায়খি।

কোরোনাভাইরসকী টেষ্টিং হেনগৎহনবতা নত্তনা সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্ট পূন্নমক্না মওং তানা চিঞ্চাক ফংহন্নবা, মরুওইনা উপাই লৈত্রবা লাইরবা মাইগ্রেন্ট লেবরর মিল্লিয়ন কয়াদা চিঞ্চাক ফংহন্নবা হোৎনগদবনি হায়না ময়াবতিনা ত্বিট তৌখি। মদু নৎত্রবদি পুক লাম্বদগী অৱাবা খাঙলিবা মীওইশিং অসিনা করন্না ইম্ম্যুনিটি হেনগৎহনবা ঙমগদৌরিবনো অমসুং তমথিরবা কোরোনাভাইরস অসিদগী মখোয় মশাবু করন্না কঞ্জবা ঙমগদৌরিবনো? গভর্ণমেন্টকী গুদাউনশিংদা পৈদুনা থল্লিবা চিঞ্চাকশিং অসি করম্বা মতমদা শিজিন্নগদৌরিবনো হায়না মহাক্না হংখি।

বি এস পি লুচিংবা অসিনা মাইগ্রেন্টশিংদসু খুদক্তা শেনগী তেংবাং পীনবসু দিমান্দ তৌখি।



# লোকদাউন মরক্তা মহৈরোই ৩০০লোম জে এন্দ কেদা থুংখ্রে

*শ্রীনগর, এপ্রিল, ২৬(এজেন্সি)ঃ*

জম্মু এন্দ কাশ্মির অমসুং লদাখকী তোঙান–তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী মহৈরোই ৩৬৯গী কাঙবু অমা জম্মু এন্দ কাশ্মির ষ্টেট রোদ ট্রান্সপোর্ট কোর্পোরেসনগী বস ১৫দা রাজস্থানগী কোটাদগী ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা কাথুৱাদা থুংলখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

হেক থুংলবগা মখোয় কোভিদ–১৯গী স্ক্রীন তৌখি অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি অনীদুগী মখোয়–মখোয়গী ময়ুম দিষ্ট্রিকশিংদা চৎহনখি অমসুং ইমুং–মনুংগা পুন্দ্রিঙৈগী মমাঙ মখোয় ক্বারেন্টিন তৌহনগনি।

# লোকদাউন লৈবনা কাশ্মির কোল্ড ষ্টোরেজদা শেমগী বোক্স মিল্লিয়ন ৩ তাদুনা লৈরে

*শ্রীনগর, এপ্রিল, ২৭(এজেন্সি)ঃ*

লৈবাক শিনবা–থুংনা চত্থরিবা কোরোনাভাইরস লোকদাউননা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী শেম থাবা ফার্মরশিংদা থীনা শোকহনখ্রে।

ফার্মরশিং অদুনা মখোয়গী পোত্থোককী মার্কেট ফংদবদগী মখোয়গী শেম হাপ্পা বোক্স মিল্লিয়ন ৩ হেন্না কোল্ড ষ্টোরেজদা তাদুনা লৈরে।

মখোয়না কোল্ড ষ্টোরেজদা থম্বগী মমল ওইনা থা অমদা বোক্স অমগীদমক লপু ৩৫ অমসুং মখোয়গী পোথোক অদু পুমখিবদগী কন্নবা পেক্কিং অমসুং গ্রেদিংগী মমল ওইনা লুপা ১০০ পীরি।

করিগুম্বা লোকদাউন অসি মখা তানা লৈবা তারবদি মার্কেটকী ফিভমশিং অসিদা লৈনবা মী লৈরোইদবনা মখোয়গী পোথোককী মমল অদুদগী হেন্না মাঙলগদ্রা হায়না মখোয়না কিরি। মখোয়গী হান্না লৈবা অৱাবা কয়াগী মথক্তা লোকদাউন অসিনা অৱাবা অমুক হাপকৎলে।

হৌখিবা চহীদা সেন্টরনা আর্টিকল ৩৭০ মুত্থৎনবা লাওথোকখিবা মপুং ফাবা সটদাউন অমা মখোয়না মায়োক্লখি। কোন্না মখোয়না থবক হৌরক্লবা মতমদা মখোয়গী ট্রককরশিংবু টেরোরিষ্টশিংনা এটেক তৌখি। য়ুনিয়ন টেরিটোরি অসিগী মপান্দা লৈবা মান্দিশিংদা কাশ্মিরদগী শেমশিং পুথোকপা থিংনবা টেরর কেম্পন অমগী মনুং চন্না ট্রককরশিং অমসুং শেম লল্লোনবা কয়ামরুম হাৎখি।

হৌখিবা চহীদা ঐহাক্না বোক্স অমদা লুপা ১,২০০–১,৩০০ রোম ফংখি। ঙসিদি লুপা ৫০০ ফাওবা ফংখিদ্রে হায়না পুলৱামাদগী ফার্মর নাজির অহমদনা হায়খি।


হান্নদি মহৌশানা লৈবাক অসিগী তোঙান–তোঙানবা মান্দিশিংদগী শেম লল্লোনবশিং মফম অসিদা লাক্লম্মি। হৌজিক্তি শেম লৈনবা কনামতা লাকখিদ্রে হায়না মহাক্না হায়খি।

লোকদাউন অসিদা এপ্পল সপ্লাই চেন অদু ওইনা থুগাইগ্রে হায়না ফার্মরশিংনা হায়রি।

ইন্দিয়াদা এপ্পল কোল্ড ষ্টোরেজ ফেসিলিটিগী খ্বাইদগী চাওবা ক্লষ্টর অদু ওইরিবা পুলৱামাগী লাসিপোরাদা ওফিসিয়েলশিংনা গভর্ণমেন্টতা ইন্সেন্টিবশিং লাওথোক্লবা আপিল তৌরি।

করিগুম্বা গভর্ণমেন্টনা ইন্টরেষ্টশিং, ইলেক্ট্রিসিটি চার্জশিংগুম্বা কোমথোক্তুনা ইন্সেন্টিব খরা লাওথোক্লবদি ঐখোয়না মদু শেম থারিবশিংদা কান্নহনখিবা য়াই অমসুং কোল্ড ষ্টোরেজগীদমক মখোয়না শেন পীরিবা অদুদগী কনবা ঙমগনি হায়না কোল্ড ষ্টোরেজ মেনেজর ফরুক অহমেদনা হায়খি।

কাশ্মিরনা চহী খুদিংগী শেম মেট্রিক টন লাক্ষ ২২ পুথোকই। মসি লৈবাক অসিগী অপুনবা পোথোককী চাদা ৭০দগী হেল্লি।



# ওরিশ্যা, গোৱানসু লোকদাউন শাংদোক্লবা তকশিনবদা য়াওখ্রে

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল, ২৭(এজেন্সি)ঃ*

কোভিদ–১৯ লোকদাউন মে ৩গী মতুংদা মখা তানা শন্দোক্লবগী দিমান্দদা ওরিশ্যা অমসুং গোৱাসু মেঘালয়াগা পুনখ্রে।

হৌজিক ওইরিবা কোরোনাভাইরসকী ফিভমগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরশিংগা প্রাইম মিনিষ্টরগা ভিদিও কনফরেন্স অমদা ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা দিমান্দ অদু পুখৎখিবনি।

লোকদাউন মখা চত্থগদবনি হায়না ঐহাক্না দিমান্দ তৌখ্রে। মদু নৎত্রবদি ঐখোয়না ওরিশ্যাদা থোক্লিবশিং অসি মায়োক্লবা ঙম্লোই। অদুবু থা ১ হেন্না শাংদোকহনশি, অদুদগীদি ঐখোয়না করি ওইরকপগে হায়বদু উরগনি হায়না ওরিশ্যা হেল্‌থ মিনিষ্টর নবা দাশনা হায়খি।

ভিদিও কনফরেন্স অদুদা মহাক্না চীফ মিনিষ্টর নবীন পাদনয়াক্কা লোয়ননা শরুক য়াখি।

গোৱাগী চীফ মিনিষ্টর প্রমোদ সৱন্টনসু ষ্টেটকী মনুংদা ইকোনোমিক এক্টিভিটিশিং কোমথোকহল্লগা লোকদাউন মখা তানা শাংদোকহনগদবনি হায়খি।

চত্থরিবা লোকদাউন অসি শাংদোক্লবা অতৈ ষ্টেট কয়ানসু দিমান্দ তৌনখি হায়না মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মিষ্টর সৱন্টনা হায়খি।

মেঘালয়াগী চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ শংমানসু কোভিদ–১৯না শোক্তবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা থবক থৌওংশিং কোমথোকহল্লগা মে ৩গী মতুংদসু লোকদাউন মখা শাংথনবা ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা কৌবা ভিদিও কনফরেন্স অদুদা ঐখোয়না গ্রীন জোনশিং নৎত্রগা কোভিদ–১৯না শোক্তবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা থবক থৌওংশিংদা কোমথোকহনবগা লোয়ননা মে ৩গী মতুংদা লোকদাউন মখা চত্থনবা ঐখোয়না খল্লি হায়না মিষ্টর শংমানা ত্বিট তৌখি।

চত্থরিবা লোকদাউন অসি লোইগদবগী চয়োল অমগী মাঙওইননা ঙসিগী মীফম অসি পাংথোকপনি।

সনা–সুদোকু – ৪৪৯ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 8 | 6 | 7 | 5 | 4 | 2 | 9 | 3 |
| 9 | 7 | 2 | 8 | 3 | 6 | 1 | 4 | 5 |
| 3 | 5 | 4 | 1 | 9 | 2 | 6 | 8 | 7 |
| 6 | 4 | 5 | 3 | 2 | 1 | 9 | 7 | 8 |
| 2 | 9 | 7 | 6 | 8 | 5 | 3 | 1 | 4 |
| 8 | 1 | 3 | 4 | 7 | 9 | 5 | 6 | 2 |
| 5 | 6 | 1 | 2 | 4 | 8 | 7 | 3 | 9 |
| 4 | 3 | 9 | 5 | 1 | 7 | 8 | 2 | 6 |
| 7 | 2 | 8 | 9 | 6 | 3 | 4 | 5 | 1 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-450**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 9 | | | 6 | 2 | 4 | |
| 8 | | | | 9 | | 3 | | 7 |
| 6 | | | | 3 | | | 9 | 8 |
| 4 | | | 2 | | 3 | 9 | | |
| | 7 | 3 | | | 9 | 6 | | |
| | 2 | | 7 | 6 | | | 3 | |
| | 6 | | 9 | 2 | | 7 | | |
| | 9 | 7 | 3 | | | | | 6 |
| 3 | | 4 | | | 1 | 8 | | |

## GAS TODAY

**Canchi Service Indane**
Booking : 14/02/20
Valid : 07/02/20
Home Delivery Contact No.-
Kwakeithal- 9774615530
Naorem Leikai- 7085732827
For Booking Contact
Time : 08.00 to 12 Noon

**Haran Velley, Kwakta**
(Only Left out Consumer)
Booking : 08/01/20
Valid : 06/01/20
Contact No.- 8729896190
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Khumbong Indane**
Booking : 15/02/20
Sl. No. : 480
Home Delivery Contact No.-
7005771527/ 9774679422
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**K & K Indane**
Home Delivery Only
Booking : 13/02/20
Valid : 04/02/20
Contact No.- 9366474013/ 8119967266/ 7005037487
Booking No.- 879426533/ 8729879017
Time : 10.00 to 01.00 pm

**M.M. Gas Service**
Booking : 30/01/20
Valid : 21/01/20
Home Delivery Only
Time : 08.00 to 02.00 p.m.
For Thangmeiband Area Contact SMS/ Whatsapp to 7085983639/ 8257056190
For Uripok Area Contact SMS/ Whatsapp to 9089704076/6009885600
Other Area Contact SMS/ Waatsapp to 9862792731/ 9612009063/ 8131852580

**Misao Gas Service**
Only Home Delivery
Booking : 29/02/20
Valid : 11/02/20
For Dellevery Service Please Contact -7085738631/ 8119967523- Call Timing : 08.00 to 04.00 p.m.

**Manipur Gas**
Booking : 14/02/20
Valid : 11/02/20
Time : 07.30 to 11.00 a.m.
Home Delivery Contact No.- 8730954041/ 7005728461/ 8259969582

**R B D Indane**
Booking : 15/02/20
Valid : 31/01/20
Stk. : 324
Home Delivery Only
Refill Order & Enquary
7629947172
Booking No- 7629947182

**Santhel Bazar Indane**
Booking : 07/02/20
Valid : 01/02/20
Stk. : 306
Contact No.
7005695308/ 6009772483

**Tanglei Gas, Oinam**
Booking : 03/02/20
Valid : 01/02/20
Stk. : 306
Home Delivery Contact No.-
8729808192
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Asangbi Inane**
Home Delivery Only
Booking : 31/01/20
Valid : 12/01/20
Home Delivery Contact No.-
8729999753
Time : 08.00 to 02.00 p.m.

**Khongnang Gas, Ningthoukhong**
Home Delivery Only
Booking : 27/01/20
Valid : 20/01/20
Home Delivery Contact No.-
7085412234
Time : 07.30 to 10.30 a.m.